# মায় পাকপা পূন্সি অমগীদমক



- এস ইন্দ্রকুমার-

মায় পাল্লবা মীশক অমা হায়বসি পুন্নমক্লা ওইনীংই, মায়থীরবা মীশক্তি কনানসু ওইনীংদে। ঐসু ওইনীংখি-করিগুম্বা হীরম অমদা মায় পাল্লবা মীশক অমা। মাই এইম ইন লাইফ- 'পূন্সিসিদা ঐগী পান্দম' হায়বা হীরম অসিদা অতেনবা ৱারেং (শোর্ট এসে), ক্লাস আইট'কী মিদল-স্কুল-লিভিং-সর্টিফিকেট-এগজামিনেশনগীমক ইংলিস পেপর-টুগীদমক ওজাশিংনা ইবা তন্বীরকখি। কনাগুম্বা, এসে ইবা হৈবা অমনা ইথোল্লবা ৱারেংদু চীনফা পুরগা ইরকখিবনি। হিংলিবা পূন্সি অমদি ইশাদা য়াওবা গুণশিংগা ইথোকখিবা ৱারেংশিংগী ৱাহৈগা করিগুম্বা মওং অমত্তদা মরী শমজিন্নখিদে- কোন্না খঙলকখিবনি। ঐনা ওইনীংখিবগা ওইরকখিবা মীদুগা পুরা তায়োন্নরকখি। মরম? ওইনীংবসু ওইনবা, হোৎনফম থোকপা/তৌফম থোকপদু তৌখিদবা।

ঙসি, হিংলিবা পূন্সি অসিগী য়াচঙবা মতম ওইরল্লবা, তুমথখিগদৌরবা মতমসিদা খঙলকই - ঐহাক মায় পাল্লবা মীশক অমা হায়বদুদি শুপনৎ নত্তে। অদুগা, ঐহাক মায়থীরবা মীশক অমনি হায়বদুসু হায়জনীংদে ইশানা। লুরিবসি মদুনি। মায় পাল্লবসু নত্তবা, মায়থীরবসু নত্তবা! মী মরক, শা মরক হায়বদুগুম্বরা? হংজবনি ইথন্তা। লাইরিক হৈবা ওফিসর অমসু ওইনীংলুবা... মশক ফজবা, নুপীনা পাম্বা নুপাদুসু ওইনীংলুবা... বোল্লিৱুদকী হিরোইন-মীনাকুমারী/হেমা মালিনিগা লৈকোলদা ঈশৈ শকমিন্নবা হিরোদুসু ওইনীংলুবা... হোস্পিটালদা চৎলগা ডাক্তর অমুক ওইনীংবা... শৈশকপা/লাইয়েকপা/অইবা কলাকারসু ওইনীংবা... শেল পায়বা, ইনাকখুনবা করবারৱালাদুবুসু কল্লক্লুবা... মথোৎ কারক/ইনখৎলকপা মতমদগী গ্রেজুএট অমা ওইরকপফাও মঙখিবা মকু মঙগী মচু মখল কয়ানি। মদুমক্লা ওইহনখি ঐ মমীং চৎপা, অফাওবা মীশিংনা হায়রম্বা ফিদম ৱাহৈ (কোটেশন) শিংদা ঙাওজবা, মিহুল নামা ৱাৎলবা অঙাওবা অমা। ঐগী হোষ্টেল কাদুগী ফক্লাংদা চেনা য়াৎপা ময়েকশিংনা শেম্বা কোটেশনশিং নপ্পা উবদা, হোষ্টেল-ইনমেটশিংনা কোক-চাকপা (বায়ু) মিংথোল পীখিবদু নীংশিংলকই।

মায় পাক্তে খঙলক্লবা তুংদা থেংনরকখিবা ৱাহায় অমনি... 'শোয়দনা মায় পাক্লবগী অরোনবা লৌশিংনি-খঙহৌদনা থোক্লকপা য়াবা থৌদোক, ৱাথোক অমদি খুদোংথীবশিং মায়োক্লবা ঙম্নবা শেম শাদুনা লৈবা। অতোপ্পা অমনা অমুক হায়রকই... 'শোয়দনা মায় পাক্লবগী অরোনবা লৌশিং নৎত্রগা পাম্বৈ হায়বা অমা লৈতে, মসিদি কনাগুম্বা অমগী পূক্লিংনা শেম শাবা অমদি হকচাংনা শূবা-নোম্বা, লোয়ননা, মমাঙদা থেংনখিবা মায়থীবা মীকুপশিংদগী তমহৌবা পাড়া (লেশন) অদুগী মখা পোনবনি'।

ৱাহায় অনী অসি অমগা অমগা কন্ত্রাদিক্ট তৌনবা, তায়ওন্নবা ৱাহায় অদুমক্তি নত্তে। নুংদা ফুম্বা ৱাহন্থোক মান্নবসু নত্তে। করি ওইনি খঙদ্রিবা অরেপ্পা তুংলমচৎ লৈত্রিবা কনাগুম্বা অমদদি পূক্লিং ইথিল পীবা ৱাহায় অমমমনি।

অচুম্বনি হায়না চপ চানা হায়বমক্তি ঙমদবা, ৱাখলসিদদি ফাওজবা ৱারোল অমা লৈ- 'তাইবঙসিদা লৈরিবা, শিনফম অমমম পায়রিবা মীপূম খুদিংমক, মানা মানা পায়রিবা শিনফমদুদা ওইনীংই- মায় পাকপা মীশক অমমম'। অদুবু, মায় পাল্লবা, শকখঙলবা মী ওইখিবদি মখোয় খরখত্তনি। লিশীংগী মনুংদা অমত্তনি। খুন্নাই অমা হায়বসি মীওই (ইন্দিভিজুএল) অমখক্লা শেম্বা য়াদবগুম, মায় পাল্লবা নৎত্রগা মায়থীরবা মীশক অমা ওইরকপা হায়বসি, কনাগুম্বা ইন্দিভিজুএল অদুগী মশা মথন্তগী হোৎনজমলখক্কী মখা পোন্দে। মহাক্লা হিংলিবা খুন্নাইদুদা হিংমিন্নরিবা ময়ামদুগীসু মখা পোল্লি, ইমা-ইপা-ইমুং-মনুং-য়ূমলোন্নবা-মরূপ-মপাং পূন্নমক্কীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। অদুননি, অতোপ্পা ৱাহায় অমা অমুক শেল্লন্লিবা কনাগুম্বনা - 'পূনশিন্নরকপা হায়বসি অহৌবনি, কায়নদনা লৈমিন্নবা হায়বদুনা, খুমাঙ চাওশিল্লকপনি, পূন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বদুনি মায় পাকপা'।

অদুনদি, ৱাফমসিমদি য়াম্না ময়েক শেংলে... মায় পাকপা হায়বসি তন্বা ঙমদবা পূন্সিগী মীকুপশিংদা থেংনরকপা শীংনবশিং মায়োক্লবা ঙম্বা অমদি পূক্লিংগী অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা হোৎনবা কনবা, মানা হিংলিবা খুন্নাইদুবু মশক খঙবা-মখোয় খরখত্তদা খুদোল্লকপা খুদোল অমনি। লাল্লব্রা? নহা ওইরিঙৈ খল্লকখি-ঐনা ঙল্লোইদবা করি লৈবগে? ঙসিতমক খঙলকই - ঐহাক তৌফম থোকপদু তৌখিদে। তৌফম থোকপদু তৌখিদবনা ইতেং পাংবীনবসু লৈখিদে, লমজিংবীনবসু থোল্লকখিদে। অদুননি, ঐহাক্লা মায় পাকপা ঙমদনা, মায়থীবসু নত্তনা, চন্নফম খঙদ' মাঙলিবা?

অদোম, করিগুম্বদা থেংনবীখ্রবরা - থোইদোকপা গুণ'না লৈতেংবা, মীনদি শক খঙবীদবা, শকখঙলবশিংদইসু করিম্‌তা তাদবা, লাইপোক'কুম্বা কয়া অমা, চন্নদ্রবা মীরেমগুম, মচি-মতাইদা তারিবা। হংবীরুচো হায়রক্কনি-লাইবক্লা তাথীবীবনি। অতোপ্পনা ফংখিবা খুদোংচাবদু ফংখিদে।... দিপার্টমেন্টেল প্রমোশন পীবদা মহাক্লা মীথানদবা, মহাক্লা হেন্না মতিক চায় খঞ্জবা কনাগুম্বা অমনা প্রমোশন ফংখিবা- দি পি সীগী মেম্বরশিংদা ব্লেম তৌগনি- শেঞ্জা-থুমজা তৌবনি, মীচং মীখায় নাইবনি। মহাক্লা থৌওইরুদবা, মতিক চাদবশিংদুনা চেকশিনখিবা এরিয়াদু কৈদৌনুংদা নীংশিংলোই।

পূন্সিগী য়ূম্ফম থোল্লকপা, নহা ওইরিঙৈ মতমদা- উঙমদবা তুংলমচৎকী খন্দনা, 'পূন্সি হায়বসি ঙসিনি' হায়বদুতা খল্লবা- শোয়দ্রবনি, পূন্সিনা ময়াই চল্লকপা, মপান মহৈ য়াল্লমদাই, অমদসু চন্নদা অমদসু চন্নদা, মীরেম মিংথোল ফংলকপা। লাইফাওমক্লি খনবীয়ু।

দ্রামা-সিনেমাগী এক্টর/পর্ফোর্মরশিংনা মশানা ইনেক্ত-তৌরিবা পর্ফোর্মেন্স অদু হেন্না মপূম ফাহল্লবা, ক্যারেক্টরদুদা জষ্টিফাই তৌনবা, অইবনা ইরল্লিবা স্কৃপ্ট (টেক্স) অদুগী ৱাংমদা লৈবা ৱারোলশিং (সব-টেক্স) অদু মুন্না খঙদবা/নৈনদবা য়াদবগুম মহৈ তল্লিবা মহৈরোয় অমনসু মহাক্কী সিল্লেবসতুখক নৈনরগা তোক্লোইদবনি। আই সী এস ঈ-বোর্দকী মখাদা মহৈ তল্লকপা অঙাংশিংনা হায়- মখোয়গী ওজাশিংনা ক্লাস'তা পাড়া তাকপদা, থাগদৌরিবা এগজাম (পরিক্ষা) দুগী য়েংলগা ৱাহং-পাউখুম পুথোক্তুনা তাক্তে। সিল্লেবসতা য়াওরিবা হীরমশিংদুগী মনুং চন্না হংলকপা ৱাহং খুদিংমক খুম্বা ঙম্নবা শেম শাহল্লি। ক্লাস অমা য়াওহৌদবগী মাঙজবা মেনখৎপদা য়াম্না ৱায়। রাম লাল পোল হায়-স্কুল'দা ওজা পদ্মকুমারগী ক্লাস নীংশিংলকই, অমুক্তসু লাইরিক্তা ইরিবা টেক্স অদু পাদুনা তাকখিদবদো! টেক্স অমদি সব-টেক্স নীংথিনা নৈনরবা মহৈরোয় অমনা, চাংয়েং খুদিং লায়না মায় পাক'ঙম্মী, মীগী মকোক থোংলকই। মতৌ অদুগুমদুনা, হান্না তাল্লম-খঙহল্লমদনা থেংনরকপা পূন্সি'-এক্সপরিমেন্ট, খুদোংথীবা মীকুপশিংনা তন্বীরমখিবা অনৌবা লৌশিং-পূন্সিগী অশেঙবা পূক্কে-লনগৈ ঙাক্তনি। ঐগী বেঙ্ক এক্কাউন্ট'তা তুংশিনখিবা শেনফমদগী কারকপা শেন্দোয় নত্তনা অহেনবা শেনফম লৌথোক্লবা য়াদবগুম, নহা ওইরিঙৈদগী ঐগী পূন্সি-পাত্রসিদা হাপচিনখিবশিংদু খক্তনি পূন্সিসিদা ঐহাক্লা লৌথোক্লবা ঙমদৌবা, শীজিন্নবা ফংদৌবা। নহা ওইরিঙৈ তানশিনখিবা লৌশিংদুননি পূন্সি কৌবা ঈপাকসিদা হোল্লিবা হি, হিমায় চুমদুনা পুদৌবা।

থৱায় পানবশিংগী (মরু ওইনা মীওইবগী) পূন্সিবু মহৌশাগী ওইবা শক্লোন কয়াগা পান্দমনৈ মশক নাইবা অইবশিংনা। করিগুম্বদা ঈচেল নাইবা তুরেলগা, করিগুম্বদা ঈচেলশিংগী তূংনফম ওইবা ঈপাক্লা... করিগুম্বদনা ঈপাকথক্কী কোঙ্গোলগা। কনাগুম্বা অইবশিংনা খোঙচৎ অমগসু পান্দম্লে। অদুগুম্বা প্রমান-পান্থৈ ময়াম অদু নীংশিংলগা ৱাখলসিনা খল্লকই- পূন্সি হায়বসি ঈকং-ঈচাও থোক্কনবা লৌবুক অমগুম্বনি। লৌরোক পান্থা লাকপদা লোক্লিংলবা সনা ফৌ, লৌমী শক্লোন লৌরিবা নহা ওইবশিংসিদা পাউজেল'মত্তং পীনীংই - ফৌথোক লৈবা ফৌদি ফংলবনি মরাং কায়না... লৌবুক অসি শেম-শাসি, নোংজু পান্থা লাক্ত্রিঙৈ, লৌরোক অমা লোকখ্রবসু লৈহাও হন্থহনগুমসি। ●

# শ্যামল ভট্টচারিয়াগী উপন্যাস 'বুখারি' লাইরিক অসিগী মপাউ



- তোংব্রম অমরজিৎ -

মালেমসিদা লৈরিবা মীওই বিলিয়ন কয়াগী মরক্তা লান পাম্বদি খরতনি। লান পাম্বশিংনা শক্তি পাম্মী, হিংশা তৌনীংই। মসিদা মশাদি য়াওরোই। লানগী থৌরাং অমদি লাল্লোং য়াৎকনি চৌক্রিদা ফল্লদুনা। মখোয়না শেল, লন-থুম অমদি মীচং খোমগনি।। পোলিটিক্স তৌগনি। য়াল্লবা লৈবাক অমগী মীয়াম্বু মখোয় খরনা পুনীংবা, হোইনীংবা মায়কৈদা পুগনি। অদুননি অশেংবতা হায়রল্লিবা, Emma Goldman না (Writer, activist, Canada) "All wars are wars among thieves who are too cowardly to fight and who therefore induce the young manhood of the whole world to do the fighting for them" মণিপুরসু ঙসি লান তৌরি। লোইশিনবা অমদি শান্তি লাকপগী মহুত্তা কাঙলূপ ফূরুপ কয়াগী মরক্তা শিংচেপ থাজিনবা লেপ্পা লৈত্রি। পৱার পোলিটিক্স, ভোট, রিসোর্হ মুন্নবা মসিদা চমজরবা মীয়াম্না ভিক্টিম ওইরি। পোলিটিসিয়নশিংগী মচা-মশুশিং লান্দা য়াওদে। মখোয়না শান্তি হায়না লাউগনি আইভোরি টৱারদা লৈদুনা। অদুনা ইনাকখুনবশিংনা শক্তি মুন্নবগী লান তৌরকপদা লায়রবা ইমুংগী মীওইশিং মরৈবাক্কীনি হায়না থোল্লক্তুনা থৱায় থারি। মীয়াম্বু লায়রবগী পনখৈ মনুংদগী হেন্দোকহন্দবনা শক্তি পায়নীংবশিংগী অপাম্বনি। মরমদি লায়রবা হায়বসি চাকনি ফিনিদুনা হিংগনি। মসি খঙনা মখোয়না পোলিটিক্স তৌরি। অদুনা Jean-Paul Sartre (Philosopher, activist, writer) না হায়রম্মী, "When the rich make war, it's the poor that die" মশা মশাগী কান্নবতা য়েংদুনা লৈবাক নীংবা শাবশিংনা খুল্লিংলকপা লৈবাক অমা ওইরল্লবদা Rev. William Sloan Coffin Jr. না হায়রল্লিবা ৱাফম অসিসু নীংশিংনীংঙাইনি। মহাক্লা হায়, ,"The cause of violence is not ignorance. It is self- interest"

কুমজা ১৯৯০গী মতমদা মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎখ্রবা তমথীবা লানফম অমনি সিয়াচিন গ্লেসিয়রগী লান। ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থানগী অকনবা লানফম্নি মফম অসিদা থেংনখিবসিমক। ঙসিসু লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা লেপত্রি। বেঙ্গলি নোভেলিষ্ট শ্যামল ভট্টচারিয়া মশামক মতম কুইনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা থবক তৌদুনা লৈরম্বা অমদি সিয়াচিনদা পোষ্টিং তারম্বনা অইবগী এক্সপরিএন্স কয়াসু নোভেল অসি শাগৎলকপদা চাউরবা শরুক য়াওরি। অশেংবা ৱারীদা য়ূম্ফম থোন্দুনা ইরকপা নোভেলনি। নীংশিংবা য়াই, মালেমগী তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগী পূক্কেদা অচৌবা লাঞ্জাও কয়াদা শরুক য়ারুবা লান্মীশিংগী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা ইবগী লম্‌দা খূৎ থাদুনা মমিং লৈখিবা ঙসিসু শোন্নরিবা অইবা কয়া লৈরি। Ernest Hemingway, Wilfred Owen, Erich Maria, Norman Mailer, Mikhail Sholokhov অসিনচিংবা অফাওবা অইবা কয়া লৈরি। ইন্দিয়াদসু অসিগুম্বা অইবা কয়া লৈরি। মখোয়গী এক্সপরিএন্স অমদি মখোয়দা ফাওরল্লিবা পূক্লিং ইহুলদি চপ মান্নে। লান পামদে। লানফম অমদা লান্মী কয়া শাথীনা অৱাবা মায়োক্নরিবা, লান হায়বসি অসুম্না তৌব্রা হায়বসি থেংনদ্রিবশিংনদি খঙলোই অদুবু হকথেংনরবা লান্মীশিংনদি খঙই লান হায়বদো মীওইবগী খ্বাইদগী তমথীবা য়েক্লবনি। 'বুখারি' হায়না মিংথোনবা নোভেল অসিদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী কেরেক্টর কয়াসু য়াওরি। মহৌশা খূৎশেমগী নিংথিজবা কয়াসু মরীক চুম্না শৈথাবা থেংনৈ। হেন্না পোইটিং অমদি আর্টিষ্টিক ওইবা দেস্ক্রিপ্টসনশিং থেংনৈ।

হৌখিবা চহী ২৫ হেনবসিদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থানগী লান্মীশিংনা থেংনরিবা ফুট লিশীং ২০ হেন্না ৱাংলবা সিয়াসিন গ্লেসিয়রগী অমনা অমবু মায়থীবা পীবা ঙমদ্রবা লানফম অসিনা লীরিবা ৱারীদি শাথীবা অৱাবা ঙাক্তনি। চাংচৎতা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান লান্মী ১ নৎত্রগা অনীদি নীনি/হুম্নিদা শিখিবনি। মসিনা কুমজা ১৯৮৪-১৯৯৯ ফাওবসিদা পাকিস্থাননি লান্মী ১৩০০ লোম শিখি। কুমজা ১৯৯৭ ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এষ্টিমেট অমদা অসিগুম্বা সিয়াচিনগী ওপরেশন অসিদা লুপা বিলিয়ন ৫০ লোমদি লোইখি অদুগা লান্মী ২০০০ লোমসু অশোক-অপন নংখি। লোইখ্রিবা য়াল্লবা শেনফম অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মশীং য়াল্লবা মীয়ামদগী খোমগৎলিবা টেক্সকী শেলনি। শিরিবা লান্মীশিং অয়াম্বনা লায়রবা খুঙ্গং অমদি ষ্টেট কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনি। ইশানা ৱানা তাঞ্জবা শেলদুনা নোংমৈ লৈরগা লান্দা অমুক শিবা হায়বসি ৱাহন্থোক লৈরিব্রা হায়বসি হংনীংহল্লি অইবনা। সিয়াচিনগী এক্সত্রিম ওইবা অঈংবা ৱেদরনা মরম ওইদুনা হেন্নসু শাথীবা ওইখি। সিয়াচিনদা লৈবাক অনীনা উংখৎনরিবা অসিগী ৱাগী ৱারুদি অতৈ নত্তে সিয়াচিনগী নোংচুপ থংবদা লমগী ঙমখৈ য়াৎথোক্তনা লৈবা অসিননি। কুমজা ১৯৪৮গী মমাঙদদি হায়রিবা সিয়াচিনগী মফমসিদা ইন্দিয়া নৎত্রগা পাকিস্থানগী ওইবা লেঙদনা লৈবা ঙাকশেলগী থবক অমত্তা তৌরম্বা লৈতে। সিয়াচিনগী মতাংদা টোক কয়া তৌখিবা লৈরে অদুবু ৱারোইশিনদি থোইদোকপা লৈত্রি। ঙসিদি গ্লেসিয়ার অসিগী শরুক অহুমগী অনীদি ইন্দিয়ানা পায়শিল্লে। নাকল অমরোমদা অসিগুম্বা তানফম অসিদা চাওখৎলল্লিবা লৈবাকশিংদা নোংচুপ লোমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংনা মখোয়না শাদুনা পুথোকপা লানগী খূৎশু-খূৎলায় কয়াগী কৈথেল থিরকপদা ইন্দিয়া, পাকিস্থানগুম্বা লৈবাক্লা মখোয়গী টার্গেট কষ্টমর ওইরি। মখোয়গী লানগী কৈথেলগী খূৎশু-খূৎলায়গী লান ঔরাইফম ওইনবা অসিগুম্বা লান অসি লেপ্তুনা অদুমক তৌবা তারি। অসিগুম্বা শাথীনা তমথীবা লানফম অসিদা মীগা মীগা য়েক্নহল্লিবসি কনাননো হায়বা ৱাহং অমা হংহল্লি। মীওই লিশীং কয়া অরেম্বদা মথৱায় থারিবা, মীওই লিশিং কয়াবুনা মতম পূম্বগী ওইনা শোয়নাইবা ওইহল্লিবা লান, অশি-অনা নংলবা কয়াগী ইমুং-মনুংগী মীৎকী পি, নুংশিরবা মচা, মনাও, মরুপ-মপাং কায়নহল্লিবা লান, মসিদা লৈবাক নীংবা হায়বগী ৱাহন্থোক করিনো হংদবা ঙমদে অইবনা। অসিগুম্বা থৌদোকশিং পরেং লেংলিবা নোভেলনি 'বুখারি'। নোভেল অসিগী প্রোটাগোনিষ্ট ওইরিবা অলোককী ডাইরিদগী ৱারীসিগী ফাউন্টেন ওইহল্লি। 'বুখারি' গী ৱাহন্থোকসিমক মণিপুরীদা হন্দোকপা তারবদি 'মৈফু' হায়বসু য়াই। ঈংলবা নীংথম উনলেন মরক্তা লুম্বু-লুম্বু শাহন্দুনা হকচাংবু অঙৈংবদগী ঙাকথোকপদা তেংবাঙলিবা পোৎশক অমনি। অইবনা মসিবু সিম্বোল ওইনা শীজিন্নদুনা অশিবগুম্না ঈংপক ঈংশিল্লবা, পূক্লিং ৱাখল শোন্থরবা, লান অমদি য়েংথীনবনা লাঙ্গৈাই চল্লবা মীওইবগী থম্মোয়দা আশা অমা পীনীংলি নুংশিবা অমদি শান্তিগী পাউজেল চেন্দুনা। লাইরিক অসিমক মালেমসিদা লৈরিবা লান্মী পুন্নমক্তা কথোক্লি।

ঙসি মালেমসিদা থেংনরিবা লানগী হৌরকফমদি কেপিটালিষ্টশিংবু শৌগৎতুনা মখোয়দা শক্তি শিন্নবনা মরু ওইবা মরম ওইগনি খল্লি। অশেংবা সোসলিজমদা থাজবা থম্বা দেমোক্রেসিগী অচুম্বা লীক্লমদা চৎলবদি লান হায়বসিদা কনাসু ইচং থৌরোই। লান মীহৌরিবসি পৱার পোলিটিক্স তৌরিবশিংননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। Sir Peter Alexander Ustinov (Actor, writer, filmmaker) না হায়রম্বা ৱাফমসি নৈননীংঙাই ওইরক্লি। মহাক্লা হায়, "Terrorism is the war of the poor, and war is the terrorism of the rich"


লাইরিক অসি শ্যামল ভট্টচারিয়ানা বেঙ্গলিদা ওরিজিনেল ওইনা ইবনি। হায়রিবা লাইরিক অসিদা অইবদা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা কয়াসু ফংখিবা লৈরে। লোন কয়াদা ত্রান্সলেশন তৌখিবা লৈরে। মসিবু ইংলিসতা অমুক নহা অইবা সুভ্রশঙ্কর দাসনা হন্দোকপনি। লাইরিক অসি ফোরৱার্দ অমা শ্রী লক্ষ্মীগী অফাওবা অইবা অয়াথুরাই সন্থাননা ইরি। হায়রিবা অইবা অসিমকসু ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা কুমজা ২০২২দা লাক্লল্লবা অইবনি।

শ্যামল ভট্টচারিয়া কুমজা ১৯৬৪দা ত্রিপুরাগী অগরটলাদা পোকখি। হিন্দিদা মাষ্টর দিগ্রী ফংবতা নত্তনা পলিক এদমিনিষ্ট্রেশনসু লোইশিনখি। অদুগা অমুকসু জর্নেলিজমদা পোষ্ট গ্রেজুএট দিপ্লোমাসু পাস তৌখি। মধ্য প্রদেশকী ভিক্রমশিলা ভিদ্যাপিট উজায়েননা মহাকপু ওনরেরি ডোক্তরেট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। বেঙ্গলিনা মমালোল ওইজরগসু অতোপ্পা লোল, ইংলিস, পঞ্জাবী, দোগ্রি অমদি রাজঠানি নীংথিজনা খঙবা অইবনি। কুমজা ১৯৮১-২০০১সিদা মহাক ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সতা এয়রক্রাফ্‌ট কন্ত্রোল্লর ওইনা থবক তৌবা হৌখি। কোন্না আই সী এফ এ আই য়ুনিভর্সিটিদা একাদেমিক মোনিটরিং কোওদিনেটর ওইনা কুমজা ২০০৪-২০১০ ফাওবা থবক তৌরমখি অদুগা এদামা ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টতা মতম খরসু থবক তৌখি। মসিগী মতুংদা বেঙ্গলি পাউচে সকলবেলাদা এসিষ্টেন্ট এদিটর ওইনা কুমজা ২০১৩ ফাওবা অমুক থবক পুরমখি। হৌজিক্লা প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া ওফিসতা প্রেস ইনফোর্মেশন ব্যুরোদা ত্রান্সলেটর ওইনা থবক তৌরি। উপন্যাস কয়া ফোঙখিবা লৈরে হৌজিক ফাওবদা। বেঙ্গলি অইবশিংগী মরক্তা মহাকসু শীংথানীংঙাই ওইবা লাইরিক কয়া খুদোল তল্লিবা নোভেলিষ্ট অমনি। ●



শ্যামল ভট্টচারিয়া

লাইরিক্কী মমিং :- **বুখারি**
**(ইংলিস ত্রান্সলেশন ২০২০)**
অইবা :- **শ্যামল ভট্টচারিয়া**
লাইরিক্কী মখল :- **উপন্যাস**
অফোঙবা :- **সেদোক্রাফট, ত্রিপুরা**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ৩৯৯/-**
লাইরিক্কী মখুম :- **সুভ্রাসঙ্কর দাস**
লমায় মশীং :- **২৭০**




# ককপীখ্রবা শীংলি

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

মৈতৈগী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা পাউরৌশিংসি ঙসিদি মগুণ হেনগৎলক্লি, ওম্থোক্লা মমল য়ামখ্রে, পাউরৌশিংসিদা লোইনা য়াওরি, তাক্লি, খুন্নাই অমা ওইবদা খঙদা য়াদ্রবা তৌরোইদবা, তৌগদবা কয়াবু পাউতাক ওইনা অদুম পাউরৌশিংদা য়াওরিবনি। খুন্নাইসিগী মীরোল মীরোলনা অদুম ঙাঙনরকপা-শক্নরকপা অসিনা ঙসি ফাওবা খঙনরিবনি ঐখোয়গী পাউরৌশিংসে। অদুবু হৌজিক্কী মীরোলশিংনা কয়াম নৈনরগে অমসুং থিজিল্লিবগে হায়বদুনি লুরিবা। ঐখোয়না মহৈরোয় ওইরিঙৈদদি মণিপুরী সবজেক্টতা পাড়া অমা ওইনা তল্লম্মী, মরু ওইবা পাউরৌ খরদি। পাউরৌ খরা পল্লবদা "হূইনাওমচা চাউনবা য়োল্লগা মপুগী লৈতোন লেকই" কয়াদা চুল্লল্লিবা হৌজিক থোল্লিবা মণিপুর ঈরাংসিদা। "লৌ মপু য়োংনা তানবা" তাল্লল্লিবনি, থোল্লিবনি ঐখোয়গী লৌফম কয়া মখোয়গী ওইখ্রবনি। ঐখোয়না য়োংশিং তাম্থোকপদি লায়রদনা লৌ মপুদি য়োংশিংদুগী ওইখ্রে। অতোপ্পা অমসু লৈরি "য়ূমদাংবনা কৈনাবা" য়ূম অমদা তাংদুনা লৈরম্বা মীওইনা য়ূম অদুগী কৈ (ফৌ থম্ফম কোট) লৌশিন্দুনা মখোয়গী ওইখিবদুনি... য়েংঙউ মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা থোল্লিবনি।

তৌহন্নীংদবা পামদবা তৌথোরকপা নহারোলবু চৈবদা অসুম্না হায়নরম্মী, মসিগী অঙাংসে মথোং চাদেনে "অহল লমন মনাক নল্লক্তেনে" হায়নরল্লিবা। ৱাহন্থোক্তি- লৈকায়গীবু ওইরো, য়ূমগী অহল লমনবু ওইরো অফবা পাউতাক পীবা, খঙজিনবদা কান্নরবা পূক্লিং লৌশিং হেনগৎহনবা ঙাক্তনি মতমদুগী মথক থোংবা অহলনা নহাশিংদা পীরল্লিবা পাউতাক কয়া অদুননি অহল লমনগী মনাক নক্তে চৈনরল্লিবা। হৌজিক মতমদদি তাইওন্নরে। অহল মনাক নক্লুরবদি অদুম হৈরক্লে চাহন্নীংদবা চীঞ্জাক, থকহন্নীংদবা মহী-মনাই, মৈখু চেনবা চেন্দবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পুন্নমক হেক্তা হৈরকই। অসিগুম্বা ময়াই কারবা চীঞ্জাক অসিবু লানগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরল্লিব্রা খঙদ্রে ঐখোয়গী খুন্নাই অসিবু মশা শোন্থহন্নবা। ওইরম্বসু য়াই ঐখোয়গী অশোনবা মতম য়ৌরে খঙখিদুনা মীনা তুননবা খোঙচেপ হাইরকপদা তুবফাওদি তৌহৌদা ৱানা খাঙলি হৌজিক ফাওবদি। বৃটিশনা চাইনাদা কানি পীজরগা পঙথহল্লগা থল্লম্বদু নীংশিংউ, ঙসিদি চাইনাগী শক্তি মালেমদা কিনরি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবসি মীশিং হন্থহনবদসু মতেং ওই, অসুম্না মণিপুরদসু ওইরক্লি অঙাং পোকপদা মীশিং হন্থরল্লিবা লৈবাক অমা, তাল্লক অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা-শীজিন্নবী কয়ানা পেরেন্ট ওইরকপদগী অঙাং ওইবা ঙমদবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি।

মৈতৈগী পাউরৌ অমা লৈ "কৈগী মপান নাপীনা তাঙ নাপীগী মপান কৈনা তাঙ" হায়রিবা পাউরৌ অসি মুন্না খন্থুরুবদি অমদি লৈরে হৌজিক থোল্লিবা ঈরাংসিগা য়াম্না চান্নবা অমা। পাউরৌ অমনা "অঙাং তিন্নবা চোপ্পা নংই"। খুদম ওইনা পল্লবদা - নুপা অমনা অঙাং খরদা ওইরোইদবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা অফবা মরী থম্নবা হোৎনরুবদা য়ানবা করি করিনো নোইনা পাল্লিবদু হায়রকউ পীবিগেকো হয়েংৱাই হায়রুব্রা খঙদ্রে... অঙাংদো নিঙাই তৌরক্লে নঙনা পীনি হায়বদু হৌজিক পীবিরো নঙনা হয়েংৱাই চাউদ্রকান্দা কনানা পীবিনি। অসুম্না নিঙাই অসি তৌরল্লবদা অঙাংদুদা তূমিন্না অমুক থেম, ফোংনা অমুক থেম, থেম্বদা ময়ামক য়াদ্রবদা অপীকপা ৱাথোক্লি খল্লম্লবসু মালেম্না খঙনবা ৱাথোক অমদি ওইরক্লি করি থোল্লগবা হৌজিক্তি অঙাং তিন্নবা পাম্মুবরা হায়ববু চোপ্পা ফংলেদনা খল্লম্বসু য়াই খল্লমদবসু য়াই। পাউরৌ অমনা "অপিকপা ঈশিং মরীক্লা চাউরবা সমুদ্র ওইখি" সিসু পাঙ্খকনি মণিপুরগী ৱাথোক্লা "অঙাংনা মৈ থাবা চাকপনি" "অঙাং মনাক্তা মৈখেৎ থমগনু" মথং মথং চুল্লক্লি মৈতৈগী পাউরৌশিংসে। অঙাং নিঙাই ফত্তবনা "তোংজৈ মরীলদা শামু লিৎহল্লু" হায়নরম্মী। ৱাহন্থোক্তি অসিনি - পীকখ্রবা তোংজৈ মরীল (অহোবা পাইপ) দা ওইথোক্লোইদবা অচৌবা শামু লিৎহল্লু হায়বা নিঙাইনি। ৱারী অসি মহারাজ চন্দ্রকৃর্ত্তিগী মতমদা লৈরম্বা মনাই অচানবা ওইনাম বিজান্দোনা কোনুং কারকপদা ইনিংথৌনা থেংলকপগী

মরম



হংবদা - অঙাংগী নিঙাই কনমনখিবনা থেম্নবা হোৎনবদা থেংলকপনি খুম্বদা ইনিংথৌনা পাউখুম অদু পেন্দবগী চৈরাক পীরগনি খঙহল্লকপদা অঙাংগী নিঙাইদু অসিনি হায়না খুমখিবদুনি। ওইথোল্লরোইদবা নিঙাই অমবু থেম্নবা হোৎনবগী অৱাবদুনা ঙমখিদবনি হায়বদু তাক্লি। ঙসি ফাওবা ঐখোয়না তোংজৈ মরীলদা শামু লিৎহল্লু হায়রিবসে।

মৈতৈ পাউরৌদা হায়নবা অমা লৈ "কলমনা থাঙদগী হেন্না থৌবা হেল্লি" ৱাহন্থোক্তি অসিনি লাইরিক-লাইশু হৈদুনা লৌশিং তানশিনদুনা তৌবা য়াবা-য়াদবা, অফ-ফত্ত তুংকোয়না য়াইফবতা ওইগদবা কয়াবু কলম পায়দুনা ইহৌদুনা লৈবাক অদু পানগদৌরিনি। থাঙ পায়দুনা লান শোক্নরুবসু লোইশিল্লকপদদি কলমনা খূৎয়েক পীনগদৌরিবনি। তশেংনা হায়মনবা থোক্লোই মণিপুরদা লাইরিক তম্বসি মাংই হায়নরম্মী। মৈতৈনা লাইরিক্কী মঙাল ফংদ্রিঙৈ লৌনম হৈবা মলেশনা হুল্লম্বা মরূ অদুনি ঙসি ময়োল চোংদুনা হৌগৎলল্লিবা। ঐখোয়না মালেমগী লৈবাক কয়াগী পুৱারী নৈনরুবদা ঙসি য়েংঙউ অমেরিকাদা মখোয়গী য়েলহৌমী রেদ ইন্দিয়ন মাঙখ্রে, অসুম্না মালেমসিদা মশাগী মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরল্লবা ফূরুপ কয়া কয়াগী মরক্তা মণিপুরদা হৌজিক থোল্লিবা ঈরাং অসিনা ওইহল্লক্লি মশাগী ময়ূমদা মৈতৈসু রিফ্যুজি...!

মীওইবা অমনা অহিংবা মীওই অমা ওইবদা হকচাংগী লূ তোংগী কয়াৎ থুংনা ঈগী ঈচেলগী শীংলি কয়ানা শম্নহল্লি অদুবু মরু ওইবা কোক য়ৌনা চেল্লিবা, হার্ট য়ৌনা চেল্লিবা শীংলি অদুবু ককথৎপীরদি মীওই অদু করম্না হিংবা ঙমগনি। পাঙ্খক ওইদ্রিব্রা হৌজিক থোল্লিবা ঈরাং অসিনা লৈবাক অসিগী মায়কৈ মরিগী লুজাও ওইরিবা লম্বীশিং অসি ককথৎতুনা থল্লিবা অসি ফাওবা শমজিন্নহনবীবা ঙমদ্রবা মপু মানা করি নীংলিবনো, মালেমগা শম্নবা ফাওনা লম্বী অমত্তা ফাওবা লৈতবা লৈবাক অমা হায়বা তারবদি মণিপুর তারে! ●